**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদা হয়েং ৮৫ শুবা নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) লোক সভা এম.পি- গৌরব গোগোইনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা লোক সভাদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

৩) বোসেমনা হায়রি- চৎলিবা একাদমিক সেসন অসিগী ক্লাস টেনগী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি থাগী অনিসু নত্রগা অহুমসুবা চয়োলদা পাঙথোকবা হোৎনরি।

অমসুং

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা সাইবর ক্রাইমগী অকিবা কয়া হেনগৎলক্লি অসি থেংনবদা নহাশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

------

নুপীলাল(এল)ঃ মনিপুরদা হয়েং ৮৫ শুবা নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামনা নুপী লানদা শরুক য়াখিবা

লৈখিদ্রবীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা হয়েং পাঙথোক্কদবা নুপী লাল নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ইম্ফাল সহর মনুংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টরোমদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস তমা লাকপা অচৌবা গাড়িশিং মোইরাংখোমলোমদা থৈরগা চৎহনগনি। শিংজমৈরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদগী কৈশামথোংলোমদা থৈদুনা চৎকনি। থৌরম পাঙথোকফমদা মতম মতমগী ওইনা গাড়ি চংথোক চংশিনদা অহোংবা লৈগনি। অদুমওইনমক, ইসেন্সিএল সার্ভিস গাড়িশিংগী ওইনদি থৈদোক থৈজিন লৈরোই হায়রি।

নুপী লাল নীংশিং থৌরম তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানসু শিনদুনা পাঙথোকগদৌরি। নুমিৎ অসি মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মনিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মফমশিংদসু পাঙথোকগনি।

নুপীলান নুমিৎ লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচার্জনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা মীয়ামদা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং শান্তি ওইবা রাজ্য অমা ওইহন্নবগীদমক অরানবগী মায়োক্তা অমসুং মখোয়গী হক্কীদমক লেপখিবী থৌনা ফবা মণিপুরী ইমাশিং অদুগী তুং ইন্নবা তকশিল্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনসু নুপীলাল নীংশিং নুমিৎতা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়-মণিপুরগী মরুওইবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা থৌনা ফরবী লমদমসিগী নুপীশিংনা কৎথোকখিববু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি।

শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বশন্ত কুমার সিংহনসু নুপীলান নুমিৎনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-থৌনা ফরবী নুপীশিং অদুনা পামজরম্বশিং অদুবু ইকাই খুমদুনা নুপা নুপী খেৎনবা থমদবা অমসুং শক্তি পীবা হায়বা ঐখোয়গী ফীরেপ অমুক হন্না চেৎশিলহনলসি।

নুপীলাল নীংশিং নুমিৎ লাকপদা মণিদকোগী চেয়ারমেন কোংখাম রোবিন্দ্রো সিংহনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- থৌনা ফবী ইমাশিংগা লোয়ননা মখোয়গী হক্কীদমক হোৎনরম্বশিং অদুনা মণিপুরগী নুপীশিং অমসুং অতৈদা লেপ্তুনা পুকিং ঈথিল অমসুং শক্তি পীরি।

অমরেমাদা, ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জে.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা হয়েং পাঙথোক্কদবা নুপী লাল নুমিৎকা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পি-প্রমেস অরাংম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টরোমদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস তমা লাকপা গাড়িশিং মোইরাংখোমলোমদা চৎকনি। শিংজমৈদগী লাকপা গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদগী হাইজিঙ্গগা কৈশামথোংলোমদা চৎকনি। থৌরম পাঙথোকফমদা মতম মতমগী ওইনা গাড়ি চংথোক চংশিনদা অহোংবা লৈগনি। অদুমওইনমক, ইসেন্সিএল সার্ভিস গাড়িশিংগী ওইনদি থৈদোক থৈজিন লৈরোই হায়রি।

গৌরব (এল)ঃ  লোক সভা এম.পি- গৌরব গোগোইনা ঙসি মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা লোক সভাদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে। মণিপুরদা হৌজিক মীয়ামা অৱাবা কয়া মায়োকরি। মসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপগী মহুৎতা কেন্দ্র সরকারনা মশিং য়াম্লবা পেরা-মিলিটরি ফোর্স থাজিনদুনা থল্লি অমদি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট চলাইহরি। মসিনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিনবা ঙমলোই হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

শ্রী গোগোই হায়- মণিপুরদা হৌজিক মায়োকরিবা সমস্যাশিংদি- আইন কায়না খুৎলায় লল্লোনবা, ড্রগ পুশিল্লকপা অমদি উমংশিংদগী লেপ্তুনা উ চিংথোকপনি। হৌজিক মণিপুরগী মীচম মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োকরি। স্কুল কলেজশিং তৎতনা থোঙ থিংলি মসিনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংবু অরুবা ফিভম অমদা লৈহল্লে। হকশেলগী খুদোংচাবশিং নিংথিনা ফংহনদ্রে। মীয়ামদা অকি তুজং কয়া পোকহল্লে। হিরম অসিদা সরকারনা থবক

লৌখৎতনা লৈবা অসি চুমদ্রে হায়রি। হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামা তৎতনা হংলিবা ৱাহংদি ইরাং অসি লোইশিন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা কৈদৌঙৈ লাক্কনি, কেন্দ্রগী হোম এফ্যারস মন্ত্রালয়না ইরাং অসি লোইশিন্নবা করি থৌরাং পায়খৎকনি হায়বসিনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিনবগী মহুৎতা সরকারগী অশোইবশিং মশানা লোইশিন্দুনা লৈরে হায়নসু মহাকা সরকারবু মরাল শিরি।

কেফ (এল)ঃ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগপু ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংগী মনুং চলহন্নবা হোৎনরগনি হায়না বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর অশেম রোবার্টসননা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শঙাইপ্রৌদা লৈবা কেফ এন্দ পি.দিগী গোদাউন কেম্পসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। দিরেক্তরনা হায়- বিভাগ অসি ইসেন্সিয়েল সার্ভিসশিংগী মনুং চলহল্লবদি নোংজ্ নুংশা খাইদনা মথৌ পাঙথোক্লিবা কর্ম্মচারিশিংনা করফিউ মনুং অমদি তোঙান তোঙানবা ইরাং লাকপা মতমদা অয়েৎ অপন য়াওদনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমগনি। বিভাগ অসিগী ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মীওইশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা কর্ম্মচারিশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা মিনিত অমা তুমিন্না লেপখি।

বোসেম (এল)ঃ চৎলিবা একাদমিক সেসন অসিগী কাস টেনগী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি থাগী অনিসু নত্রগা অহুমসুবা চয়োলদা পাঙথোকবা শেম শারি। ৱাফম অসি ঙসি বাবুপারাদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বোর্দকী চেয়ারমেন, অখাম জোয়কুমারনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা হায়দোকপগী মতম অসি ঙনখৎনবা পরিক্ষা মতম চানা হৌনবা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। পরিক্ষা ঙন্না পাঙথোকবা থৌরাং তৌরিবা অসিনা মরম ওইরগা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৭ তগী ক্লাস টেনগী ফোর্ম

ফিল্লপ তৌবা হৌরগনি। মসিদা মরী লৈনবা স্কুল অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা মহৈরোইশিংগী ফোর্ম ফিল্লপ মতম চানা তৌবীয়ু।

শ্রী জোয়কুমারনা মখা তানা হায়- কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা অনৌবা ইজ্‌কেসন পোলিসিগী মখাদা বোর্দনসু তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলিবা অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমবা মীয়ামগা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। অমরোমদা, মহৈরোইশিংদা টেক্সবুক ফংদবগী অৱাবা লৈতনবা বোর্দনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তঙাইফদবা লাইরিকশিং নম্বা লোইরে। মহৈ লোইশঙশিংগী মীহুৎশিংনা লাইকশিং লৌবা য়ারগনি হায়নসু চেয়ারমেন অখাম জোয়কুমারনা ফোংদোকখি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস অমসুং কলচরেল ষ্টদিজনা একজোমিয়া সংস্কৃতি সংঘ সংস্থান ইম্ফাল অমদি বিদ্যা ভারতি উচ্চা শিক্ষা সংস্থান মণিপুরগা খুৎশমদুনা ভারতিয়া ভাসা উৎসব ২০২৪ ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি। মদুদা শরুক য়াখিবা প্রোফেসার রাজেন তোইজাম্বনা হায়- ইশাগী লোলদা মহৈ তমবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা ফুরুপ অমগী লোল অমদি নাৎকী ওইবা চৎনবীশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংলগনি।

থৌরম অদুদা ফোল্ক সিঙ্গর গুরু রুবেন মসাংবা, য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিগী দিন, প্রোফেসার এস. ইমোবা, আই.কিউ.এ.সিগী দিরেক্তর প্রোফেসার এ. রাজমনি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী ঐচ.ও.দি- প্রোফেসার ইরোম গম্ভির শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদগী মীওই অনি থা অসিগী ৫ গী অয়ুক্তগী ময়ুম ময়ুমদগী থোকখ্রগা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা অদু ঙসি শিনা ফংলে। ককচিংদা লৈবা মচিন মনাউ শিবা আশ্রমগী মনিং চীংগোলগী উজাউ অমগী মশাশিংদা মীওই অনি অদু থৌরি য়ানদুনা লৈরম্বনি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা শিঙ

চনবা চৎলুবা খুঞ্জাশিংনা মখোয় অদু মফম অদুদা থেংনখিবনি। তুংদা ফোরেনসিক এক্সপার্টশিং লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ককচিং পুলিসনা অননেচরেল দেদ কেস অমা লৌখৎখ্রে। অশিবা হকচাং অনিমক হৌজিক জেনিমসকী মোর্গতা থন্লি। শিরবা মীওই অনি অদু ককচিং চুমনাং লৈকাইদগী ময়াংলম্বম কুমারজিৎ, অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ককচিং ৱাইরি পুন্সি পরেনদগী নাওরেম মহেশনি হয়রি।

হোমগার্দ (এল)ঃ হোমগার্দ পোষ্ট লিশিং ৩,০৩৮ শুনা হাপবা মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না থাখিবা রিট পিতিসনগী মতুংইন্না রিক্রুটমেন্টকী ৱাফম থা অহুমগী মনুংদা খন্নবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা রাজ্য সরকারদা খঙহনখ্রে।

ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা হায়- মণিপুর হোমগার্দ রুলগী মতুংইন্না লৈফম থোকপা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল অমদি দিপ্যুতি নত্রগা এদ্দিসনেল কম্মান্দেন্ট জেনেরেল হাপ্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা অৱাৎপা কয়া লৈবনা হোমগার্দনা মথৌ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মসিগীসু মথক্তা হোমগার্দ পার্সোনেলশিংগী সেনিয়ারিতি লিষ্ট, প্রমোসন গাইদ লাইন অমদি থবক্কী মতম চহি ৬০ দগী ৬২ ফাওবা শাংদোকবা রাজ্য সরকারনা খন্নবা কোর্টনা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়খি।

ব্লেক ডে (এল)ঃ নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসু)গী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না শিন্দুনা নোর্থ ইষ্ট ব্লেক ডে ২০২৪ পালন তৌখ্রে।

থৌরম অদু দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পসতা লৈবা এমসুগী হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখিবনি। সিতিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ গী মায়োক্তা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এৱার্দ (এল)ঃ  অনিসুবা কল্যানি বরুৱা এৱার্দ ২০২৪ ঙসি লান্থোকখ্রে। ইম্ফাল রিভিউ ওফ আর্টস এন্দ পোলিতিক্সকী পাউমী অমদি ওল ইন্দিয়া রেডিওগী রিজনেল নিউজ য়ুনিত ইম্ফালগী নিউজ রিদর ডাঃ ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রভানুদা দিজিটেল মিদিয়া কেটাগোরিগী এৱার্দ পীরকখ্রে। থৌরম অদু নিউ দিল্লিগী কন্সটিট্যুসন ক্লব ওফ ইন্দিয়াগী দিপ্যুতি স্পিকর হোলদা পাঙথোকখিবনি। মণিপুরগী সেনিয়র জরনেলিষ্ট কিশোর সেরামদনা লাইফ টাইফ এচিভমেন্ট এৱার্দ পীরকখি। এৱার্দশিং অদু কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মার্গেরিতানা খুৎশিন্নখি।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগদা লৈবা কপাম দিভলপমেন্ট ক্লব লিংখৎখিবা চহি ৫০ শুরকপগী থৌরম ঙসি নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগা লোয়ননা কপাম ভিলেজ পাব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। য়ুথ: পাইওনরস ওফ সষ্টেনেবল প্রোগ্রেস হায়বা ৱাখল্লোনদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি দিজিটেলগী লমদা খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইরি। চৈরকসিদা, সাইবর ক্রাইমগী অকিবা কয়াসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

স্মার্ট ইন্দিয়া হেকাথোন ২০২৪ গী গ্রান্দ ফিনালে থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা নহা ওইরিবা ইনোভেটরশিংগা ৱারী শান্নবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি মালেমগী থাক্তা দিজিটেল ইকোনোমি খুমাং য়াংনা চাওখৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরি। মসিগীদমক মহাকা নহা ওইরিবা ইনোভেটরশিংবু থাগৎখি। মহাকা হায়- ভারত অসি ২১ শুবা চহি চাদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা মীৎয়েং থল্লিবা লৈবাক অমনি। মসিবু ওইহন্নবা হোৎনবদা নহাশিংগী চাউরবা থৌরাং লৈ। মহাকা হায়- ভারত অসি অপুনবগী শক্তি অমনা মাঙলোমদা য়াংনা চংশিল্লক্লি। নহা ওইরিবা ইনোভেতরশিংদা নিংথিনা খুদোংচাবা পীদুনা মখা তানা হিরম কয়াদা অহেনবা গ্যান লৌশিং তানশিনবগী তঙাইফদবদি লৈরি। লৈবাক অসিদা করিগুম্বা সমস্য

অমা থোক্লকপদা মদুবু শংতাইনবা হোৎনবদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

রাহুল ঃ লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়রি- সংসদকী সভাগী মীফম নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা চথহনবা হায়বসি সরকারগী মথৌনি। মসিদা মহাক্কী দলনসু শৌগৎলি।

সংসদকী মপানদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গান্ধিনা হায়- সংসদকী মীফমদা হিরম খুদিংমক সংবিধানগী মখাদা খন্ন-নৈনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ক্রিকেট ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম.এন.সি.এ)না শিন্দুনা চথরিবা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.এস.য়ু শিংজমৈ-ককৱানা ওস্কার পাউনা বজারবু রন ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইবসা য়ুমাম লৈকাইনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু রন ৬৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এস.য়ুনা টোস ঙমদুনা বেত্তিং হান্না তৌদুনা অপিবা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৮ তুদুনা রন ১৬০ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা অনিসুবা ইন্নিংসতা ওস্কার পাউনা বজারনা অপিবা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৯ তুদুনা রন ১৫৬ খক লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌবা ঙমখিদে। খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা লৈবা পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ইবসা য়ুমাম লৈকাইনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেত্তিং তৌখিবগা লোয়ননা ওভর ৩০ মায়োকবদা ৱিকেট ৫ তুদুনা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি। অনিসুবা ইন্নিংসতা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরনা ওভর ২৮ গা বোল ৪ দা ৱিকেট ১০ মক তুদুনা রন ১৩৯ খক লৌবদগী মায়থিবা নংখি।

অমরোমদা, এম.এন.সি.এনা শিন্দুনা চত্থরিবা সুপর প্লেট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অমসুং দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেম মায় পাকখ্রে। ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ-এগী মেটচ অমদা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখি। মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি থৌবাল ৱাংখেমনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকপু রন ৪৪ দা মায়থিবা পীখি।

ভোল্লিবোল ঃ ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস অন্দর ফোরতিন বোইজ ভোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা পুল-এগী মেটচ অমদা মণিপুরনা সি.বি.এস.সিবু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। উত্তর প্রদেশকী বরানাসি হিন্দু য়ুনিভর্সিতিদা লৈবা এমফি থিয়েটর গ্রাউন্দদা চত্থরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী অরোইবা লিগ মেটচ থা অসিগী ১৩ দা উত্তর প্রদেশকা শান্নগনি।

জিট ঃ ১০ শুবা নেসনেল জিট কুনেদো চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মেঘালয়গী শিল্লোংদা হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী সব-জ্নিয়র, জ্নিয়র অমদি সেনিয়র মেন অমদি ৱিমেনদা শরুক য়াগনি। মণিপ্রগী ওইনা পুন্না নুপী অমদি নুপা শান্নরোই ২৭ কা লোয়ননা ওফিসিয়েল ৪ পুন্না মীওই ৩১ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

স্পোর্টস ঃ ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২৪ শুবা ষ্টেট সেনিয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর মেন এন্দ ৱিমেন ২০২৪ গী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা ই.এস.য়ুনা এল.এম. ৱাই.ভি.এবু পাঞ্জল ১০৪-৬৪ দা থোইখ্রে।

------